# নাওরেম বেবীরোজিসনা চনু অমসুং থোকচোম সনামচা চনু য়াওনা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৬ গোল্ড মেদল ফংখ্রে

কিলচে, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

পোলেন্দগী সিটি কিলচেদা পাঙথোকপা য়ুথ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী বাউট ১০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সর ৭না শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী হৌখিবা নাওরেম বেবীরোজিসনা চনু অমসুং থোকচোম সনামচা চনু য়াওনা পূন্না গোল্ড মেদল ৬ ফংদুনা নুপীগী কাঙলূপ অদুদা ইন্দিয়াবু লম্বা পীবা ঙমখিদ্রে।

কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমা ওইরিবী নাওরেম বেবীরোজিসনা চনুনা ফাইনেল বাউট অদুদা রেদ কোর্নরদা শরুক য়াদুনা রসিয়াগী বোক্সর ভালেরিয়া লিনকোভাগা লম্বা তৌনখি। বোক্সর অনীগী লম্বা য়েংনরুবদা রসিয়াগী বোক্সর অদুনা বেবীরোজিসনা চনুদগী মরেপ ৱাংবা হেনখি। অদুবু ফুট ৱাকতা অমদি বোক্সর অমগী ফজবা মশান্না পূন্নমক উৎপা ঙমদুনা লম্বা ওইখিবী রসিয়াগী মরেপ ৱাংবী বোক্সর অদুবু অহানবা রাউন্দদগী হৌরগা খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি।

অহানবা রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদা বেবীরোজিসনা চনুনা রসিয়াগী বোক্সর অদুবু ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি। জজ ৫গী মনুংদা জজ ৩না বেবীরোজিসনাগী ফেভরদা পীখিবনি। অনীশুবা বাউট অদুসু রসিয়াগী বোক্সর অদুবু বেবীরোজিসনা চনুনা হীরম খূদিংমক্তা হেনবা ঙমখি। মহাক্কী শাফূ কল্লবা কিনশিং অদুনা রসিয়াগী ভালেরিয়া লিনকোভাবু তান্না-তান্ননা থিনখি। রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদসু বেবীরোজিসনানা পোইন্ট হেনখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দ অদুদা রসিয়াগী বোক্সর অদুগী মায়কৈদগী পোইন্ট য়াম্না ফংগদবা শোট য়াওবা ঙমখিদে। মদুগী ওন্নবদা বেবীরোজিসনানা মগুণ লৈবা পঞ্চ অমদি জেব কয়া য়াওখিবনা মখা তানা পোইন্ট হেনখিবদগী বাউট অদু লোইশিল্লকপদা মহাক্না ঙমদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।



নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী মণিপুর মচা থোকচোম সনামচা চনুনা কজাখস্তানগী বোক্সর দানা দিদেগা লম্বা তৌনখি। শান্নরোয় অনী মরেপ ৱাংবা মান্নরবসু পঞ্চকী শাফূ কনবদি সনামচা চনুনা হেনখি। অহানবা রাউন্দ লেং খরা মান্নরবসু সনামচা চনুদা জজ ৫গী মনুংদা ৩না ফেভর তৌখি। অনীশুবা রাউন্দদা সনামচা চনুনা কজাখস্তানগী দিদেবু য়াম্না ফজবা পঞ্চ অমগী মতেংনা নাহী তাহনখি।

কজাখস্তানগী বোক্সর অদুনা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মশা চোকথরকপা মরম্না অয়াম্বা মতম সনামচাদা কোনশিন্দুনা অমদি ঙাশিন্দুনা মতম লৌনবা হোৎনখি। অদুবু সনামচাগী হৈথোই-শিংথোইবা অদুনা দিদেবু ইম্থোক্লগা পোইন্ট ফংবা য়াবা পঞ্চ কয়াসু থিনবা ঙমখি। মহাক্না রাউন্দ অহুম্মক্তা হেন্দুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড ফংখিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৪৮গীদা গিটিকা, কেজি ৫৭তা পুনম, কেজি ৬০দা ভিনকা অমসুং কেজি ৬৯দা অরুনধাটি চৌধরিনি। ফাইনেল ৭ চঙবগী মনুংদা সিলভর ফংহৌবী ইন্দিয়াগী বোক্সর অদুদি অলফিয়া তরানম পথাননি। হয়েং নুপাগী ফাইনেল শান্নগনি।

# স্পেনগী রাফেল নদালনা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু মায়থীবা পীদুনা বর্সেলোনা ওপন টেন্নিসকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

বর্সেলোনা, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

মালেমগী টেন্নিসদা নুপাগী ওইনা সিঙ্গলসকী লম্‌দা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা রাফেল নদালনা মহাক্কী পোক্নফম স্পেনগী সিটি বর্সেলোনাদা পাঙথোকপা বর্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ৬৮শুবা এদিসনগী অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবা রাফেল নদালনা অনীশুবা রাউন্দদা বেলারসকী শান্নরোয় আই ইভাস্কাবু ৩-৬, ৬-২, ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা চিলিগী সী গারিনবু ৭-৬ (৭-৫), ৪-৬, ৬-১দা থোইরম্বা জপানগী কৈ নিসিকোরিগা লম্বা তৌনখিবনি।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেটতা টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রাফেল নদালনা জপানগী শান্নরোয় নিসিকোরিগী সর্ভিস গেম ৩মক ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬-০দা য়াম্না হেন্না ফজবা মওংদা সেট ১ মাঙজিল থাদুনা লৈখি।



অনীশুবা সেটতা জপান খক্তা নৎতনা এসিয়াগী নম্বর ৱান নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় ওইরিবা কৈ নিসিকোরিনা রাফেল নদালগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা সেট অদু থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা শান্নরোয় অনীমক সেট অমমম্ মায় পাক্নরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি। দিসাইদিং সেট অদুদা রাফেল নদালনা লাকশিনবা হেল্লকপদগী নিসিকোরিগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা অহুমশুবা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

রাফেল নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু গ্রেট বৃটেনগী সী নোরিনি। নোরিনা মহাক্কী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ১২শুবা সিদেদ রসিয়াগী কে খাসানোবপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা অহুমশুবা রাউন্দদনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু য়াম্না ফজবা মওংদা গোফিনগী সর্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌরগা ৬-০দা সেট ১ মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা গোফিনগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী গেম ৩-৫দা শোত্থদুনা লৈরিঙৈদা গোফিন শোকপদগী সেট অদু মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অমসুং ইটালিগী জানিক সিন্নর য়াওরি। রুব্লেভনা স্পেনগী রামোস ভিনালোসপু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা সিন্নরনা অতোপ্পা স্পেনগী বোটিষ্টা অগুটপু থোইরমখি। নম্বর টু সিদেদ গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসসু ক্বার্টর ফাইনেলদা কানাদাগী ফেলিক্স অগুরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা কলম্বীয়াগী জে এস কবাল অমসুং আর ফারানা মখোয়গী লম্বা গ্রেট বৃটেনগী প্যের দেনিএল ইভান্স অমদি এন স্কুপস্কিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা জর্মনিগী কে ক্রাৱেটস অমদি রোমানিয়াগী ঐচ টেকাওগী কেপ্যরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্যের জে পিয়র্স অমসুং এল সাভিলবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা মখোয়সু বর্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## মাষ্টর্স মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসননা শীন্দুনা মে ৮ অমদি ৯দা মাষ্টর্স এথলেটিক মীট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এল য়াইমচৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, য়াওবীনিংবা চহী ৩৫গী মথক্তা লৈবা মাষ্টর্স এথলেটশিংনা চীংমৈরোং বজার ইন্দিয়াগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবীবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলসু ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## লুকা মোদ্রিক রিয়াল মাদ্রিদকা মখা তানা খূৎয়েক পীনখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

ক্রোএসিয়াগী মমিং লৈরবা মিদ ফিল্ডর লুকা মোদ্রিকনা হৌজিক-হৌজিক মহাক্না শান্নরিবা স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রিয়াল মাদ্রিদকা হান্না লৈরিবা কন্ট্রেক্ট অদুগী মখা তাবা ওইনা নৌনা খূৎয়েক পীনখ্রে।



ৱাফম অসি রিয়াল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ফ্লোরেন্টিনো পেরেজনা ঙসি ফোঙদোরকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ক্রোএসিয়া মচা লুকা মোদ্রিককী মায়কৈদগীদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। নীংশিংবা য়াই, লুকা মোদ্রিকনা কুমজা ২০১২দগী ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদগী হোংলক্লগা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদতা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টোর্চ রিলে য়াওখিবশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অহানবা কেস থেংনরে

টোকিও, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোক্লবা মতুং চৎলিবা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না শিন-লাংলিবা অসিগা মরী লৈননা নুমীৎ ১০০নি ৱাৎলিঙৈদগী টোকিওদা ওলিম্পিককী টোর্চ রিলে চৎথবদা শরুক য়াখিবা মীওই অমা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

মার্চ ২৫দগী জপানগী অৱাং-নোংপোক থংবা সিটি ফুকুসিমাদগী হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস টোর্চ রিলে অদুগী মনুং চন্না ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌখিবা মশাগী চহী ৩০শুরবা পুলিস পর্সনেল অমা কাগাৱা প্রিফেকচরগী খা নোংচুপ থংবা মফমদা য়ৌরকখিবা টোর্চ রিলে অদুগী এপ্রিল ১৭তা রিলে অদুগী অশোয়-অঙাম য়াওদনবগীদমক্তা ট্রাফিক কন্ট্রোলগী থৌদাং লৌখিবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকপনি।



টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, এপ্রিল ১৭কী কাগাৱা প্রিফেকচরগী টোর্চ রিলে অদু লান্থোকখ্রবা মতুং থংনবা নুমীৎতা পুলিস পর্সনেল অদু কোভিদ-১৯গী সিম্পটম উৎলকপদগী চাংয়েং তৌরুবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা পুলিস পর্সনেল অদু লৈঙাক অদুনা পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্নুনা মাস্ক উপ্পুনা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন থল্লবা মতুং অতোপ্পা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলবসু পোজিটিভ ওইরকপনি হায়রি।

জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা ওসাকা সিটিগী নোংচুপ থংবা মফমশিংদসু কোভিদ-১৯গী ওইবা অহুমশুবা ষ্টেট ওইনা ইমর্জেন্সি লাউথোকপগী শেম শাদুনা লৈখ্রে হায়রি। পনবা য়াই, লৈবাকপোকপা নুমীৎ ফাওবগী মনুংদা জপানদা পূন্না হান্নগী মশীং থারগা মীওই ৫৪১,৪৯৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। অদুগা শিখিবা মীওইনা ৯৭১০নি। হায়রিবা দাটা অসি অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংগা চাংদম্নরুবদা কা-হেন্না শোকচিনবা ফীভম ওইদ্রি। অদুবু এসিয়াগী ওইনদি ফজবা রিজল্ট ওইদ্রি।

জপানদা লোকদাউন থমদবা মরম্না লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবগী কাঙলোনশিং অসিদা মরিক চুম্না মতেং পাংবগী মমি তাদ্রি।

ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ওলিম্পিক টোর্চ রিলে অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অমদি ওফিসল পূম্নমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। অদুবু অতোপ্পা মীয়াম্না লৌখৎত্রবদি লাইচৎ অসি শন্দোকপদা অৱাবা অমা মায়োক্নবগী ফীভমদা লৈহায়খি।

# দিপ গ্রেসতগী কান্নবা কয়া অমা তম্বা ঙমখি : দিফেন্দর উদিতা

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মালেমগী মকোক থোংবা টিমশিং ওইরিবা অর্জেন্টিনা অমসুং জর্মনিগা লম্বা তৌনবদা অকনবা মশান্না উৎতুনা লেং মান্নবা ঙমখিবা অদুদা শরুক য়াখিবী চহী নৌরিবী দিফেন্দর উদিতানা মহাক্কী সিনিয়র শান্নরোয় দিপ গ্রেস ইকাদগী দিফেন্সকী লম্‌দা কান্নবা পারা কয়া অমা তম্বা ঙমখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুবদা ঙাইরিবী উদিতানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না করিয়রগী ওইনা মালেমগী মকোক থোংবা টিমশিং ওইরিবা অর্জেন্টিনা অমসুং জর্মনিগা হকথেংননা শান্নবা অদু হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইখি। টুর অদু চৎত্রিঙৈ মাংওইননা মশাদা পাখৎপা অমদি নুংঙাইবগী অপূনবা ৱাখল্লোন অমা ফাওবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সিনিয়র শান্নরোয় অমা ওইরিবী দিপ গ্রেস ইকাগী মায়কৈদগী দিফেন্সকী লম্‌দা য়াম্না কান্নবা পাউতাক কয়া ফংবা ঙমখি। করিগুম্বা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখা তানা কন্না হোৎনদুনা শান্নবা ঙল্লবদি মকোক থোংবা টিমশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ঙম্বগী লম্বেল কয়া অমা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নহা ওইরিবী উদিতা কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী কেম্পতা রিগ্যুলর ওইনা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। অদুবু ইন্টরনেসনল মেটচশিংদা শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা কুমজা ২০১৯দা মখূউ শোকপদগী মতম শাংনা শান্নবা য়াওরুদ্রবনি। হন্দক্কী য়ুরোপ অমসুং সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অনীগী লম্বা অদুদা মহাক অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরবনি। মদুদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নমিন্নরোয়শিংগা লোয়নননা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগীদমক্তা মেদল পুরকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা অদু থম্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি।

# অমিট পংঘল গভর্ণরস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, অতোপ্পা ৫ লৈহৌরে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১গীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পংঘলনা রসিয়াগী সেন্ট পিটরসবর্গতা পাঙথোক্লিবা গভর্ণরস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা বোক্সর ৫ অঙনবা রাউন্দশিংদা মায়থীবা নংহৌরে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট হরয়ানাদগী হৌখিবা অমিট পংঘলনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটগোরিদা রসিয়াগী বোক্সর টামির গালানোবপু ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউট অদুদা য়াম্না হেনবা মওংদা বাউট অদুগী জজ মঙামক্না মঙোন্দা পোইন্ট পূন্নমক হেন্না পীদুনা ৫-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, অমিট পংঘলনা এসিয়ন গেমসকী ওইনসু হায়রিবা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটগোরি অসিদা গোল্ড মেদল ফংদুনা মকোক থোংবা বোক্সর অমা ওইদুনা লৈরিবনি। রসিয়াগী সেন্ট পিটরসবর্গতা পাঙথোক্লিবা গভর্ণরস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা অসিশ কুমার (কেজি ৭৫) অমসুং বিনোদ টনৱর (কেজি ৪৯) ঙন্না মায়থীখি। বিনোদ রসিয়াগী বোক্সর আইগোর জারেগোরোসেককী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীবা নংহৌখি। অতোপ্পা বোক্সর সুমিট সংৱান (কেজি ৮১), মহমদ হুসামুদ্দিন (কেজি ৫৭), নামন টনৱর (কেজি ৯১)সু টুর্নামেন্ট অসিগী অঙনবা শরুক্তা মায়থীহৌবনি। অসিশ কুমারনা রসিয়াগী বোক্সর নিকিটা কুজমিনগা লম্বা তৌনবদা জজ ৫গী মনুংদা জজ অহুম্না মহাক্কী মায়োক্তা অদুগা জজ ২না মহাক্কী ফেভরদা লৈখিদুনা ২-৩দা মায়থীহৌখি।

# সুপর লীগকী লম্বেল তেনশিল্লকখ্রবা মতুং স্পেনগী টিম ৩না টাইটলদা মায় ওনশিল্লি

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী য়ুরোপতা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগা লোয়নননা তোঙানবা সুপর লীগ হায়না মিংথোনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা শিন্ননবা শেম শারকখিবা অদু ইংলেন্দগী ক্লব ৬, ইটালিগী ক্লব ২ অমদি স্পেনগী ক্লব ১সু য়াওরক্তবদগী হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা লালিগাগী টাইটলগীদমক স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব অহুম্না মায় ওনশিল্লি।

লালিগাগী ওইনা মমাংগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কাদিজপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। রিয়াল মাদ্রিদনা মায় পাকপা অসি থারগা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংলিবা এটলেটিকো মাদ্রিদতগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক শোত্থরগা লৈরি। মখা তানা লালিগাগী ওইনা শান্নগদবা রাউন্দ ৬ ৱাৎলিবা অসিদা মকোক থোংবা টিমশিং অদুনা টাইটলগীদমক্তা মায় ওনশিল্লক্লি। বর্সেলোনাগী টিম মেটচ ৩০দা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা ৪শুবদা লৈরি। অদুগা সেভিয়াগী টিমনা মেটচ ৩২দা পোইন্ট ৬৭ ফংলগা লালিগাগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# মমিং লৈরবা সুশিল কুমারগী মমিং রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা টিম লাউথোকপদা য়াওখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা মে ৬তগীনা ৯ ফাওবা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়িং রেষ্টলিং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কম্পিটিসন অদুদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী টিম লাউথোরকপদা মমিং লৈরবা রেষ্টলর সুশিল কুমারগী মমিং য়াওখিদ্রে।

নাকল অমরোমদা, কিলোগ্রাম ৭৪গী কাঙলূপ্তা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কম্মিটিনা নহা ওইরিবা সন্দিপ সিংহ মানগী মহুৎতা নুপাগী কিলোগ্রাম ৭৪গী ফ্রীষ্টাইল কেটগোরি অদুদা অমিট ধনকর ওইনা মমিং লাউথোকপদা য়াওখি।

পনবা য়াবদি, নুপাগী কিলোগ্রাম ৭৪গী কেটগোরি অদুদা সন্দিপ সিংহ মাননা নেসনল চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ট্রাইয়ল ইভেন্টশিংদা মায় পাকপা ঙমখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং সেলেক্সন কম্মিটিনা মহাক্কী মহুৎতা মমাং থাগী ১৬তা সেলেক্সন ট্রাইয়ল পাঙথোকপদা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবা অমিট ধনকর ওইনা মমিং লাউথোরকপনি।



রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কম্মিটিনা গ্রেকো রোমানগী কাঙলূপ্তসু কিলোগ্রাম ৬০ অমসুং ৯৭তা গ্যানেন্দ্র অমসুং রবিগী মহুৎতা সচিন রানা অমদি দিপান্সু ওইনা খনখি। নুপীগীদা সিমা (কেজি ৫০), নিশা (কেজি ৬৮) অমসুং পুজা (কেজি ৭৬) য়াওখি।

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN / FOUNDATION COURSE (2021/22)

| | |
|---|---|
| CLASS X & XII (Science,Arts,Commerce) BOSEM / COHSEM & CBSE | General Foundation cource SSC,BANK PO,NDA,CDS,SBI,IBP, other compititive exam,NEET, JEE |

Subject All duration 5 & 6 months - Available van & hostel (Morning & Evening)
Start on 21 April & 10 May 2021 ## 7830999192 / 03857966211
HL-P/8727/9-11

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।

☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com